**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-07-2026)**

**সিএম(এল)ঃ** হর ঘর জলগী থৌরাং মখাদা পায়খৎপা মনিপুর ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্টকী থবক কদাই ফাওবা খুমাং চাউশিল্লিবগে হায়বা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা য়েংশিনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা ন্যু দিবলপমেন্ট বেঙ্ক (এন.দি.বি) পেকেজ নাইন মনিপুর ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্টকী মতাংদা পি.ঐচ.দি. অমদি উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো য়াওনা খন্নখি। মদুদা বিভাগ অসিগী হান্নগী মন্ত্রি-এম.এল.এ. এল. সুসিন্দ্রো, বিভাগ অসিগী সেক্রেটরি অমদি চীফ ইঞ্জিনিয়ার শরুক য়াখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-প্রোজেক্ট অসিনা খুঙ্গংগী মফমশিংদা থকবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং পায়খৎনবা হর ঘর জলগী থৌরাং মনুং চন্না য়ুমথোং খুদিংদা টেপ কন্নেক্সনগী খুথাংদা ঈশিং ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। সরকার অসিনা মীয়ামদা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎকনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা নার্কোটিক কন্ট্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি) গী দিপ্যুতি দাইরেক্তর জেনরেল নোর্থ ইষ্ট রিজন-আর. সিধাকর অমসুং এন.সি.বিগী এদিসনেল দাইরেক্তর-পি.কে. মিশ্রাগা ঙসি উন্নখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নবা অদুদা ইন্টিলিজেন্সকী পাউ মতিক চানা খোমজিন্নবা থবক কনখৎপা, রাজ্য অমসুং অন্টরজাতিগী থাক্তা লৈবা এজেন্সিশিংগী মরক্তা অফবা মরী থন্বা অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক লল্লোনবা থিংনবা এন.দি.পি.এস. এক্ট ১৯৮৫ পু মপুং ফানা চৎনহনবগী মতাংদা কুপা

খন্নখি হায়রি।

**মহোতসব(এল)ঃ** ৭৭ শুবা বন্দ মহোতসবকী থৌরম ঙসিদগী হৌখ্রে। মফম কয়াদা উ চারা কয়া পাক শন্না থাখ্রে।

প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট অমসুং হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স- অনুরাখ ভাজপায়না রাজ্য থাক্কী ৭৭ শুবা বন্দ মহোতসব থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্টকী চীংখু ময়াই লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অনুরাখ ভাজপায়না হায়-বন্দ মহোতসব অসি উমংশিং অমদি অকোইবগী ফিভমবু ঙাক শেন্দুনা থমবগীদমক পাঙথোকপনি। তুংগী মীরোলগীদমক অকোইবগী ফিভম ঙাক শেন্দুনা থম্বদা ঐখোয় পুমমক্কী দায়ত্ব লৈ। মহাকা হায়-উমংনা রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা বাইও দ্রাইভরসিতি অমদি নাৎ চৎনবীশিং মশক তাকবগী অহিংবা হেরিটেজ অমনি।

থৌরম অসি লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা এক পের মা কে নাম থ্রি পোইন্ট জিরোগী মখাদা পাঙথোকপনি। মসিগী মখাদা ফোরেষ্ট বিভাগনা উ পান্বী লাখ ১৫ থাননবা পান্দম থল্লি।

উখ্রুল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা চয়োল অমা চত্থগদবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা জিলা অসিগী মফম কয়াদা উ চারা লাখ অনি লিশিং ১০ থাননবা পান্দম থল্লি। সেক্রেট হার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্ণার, দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার, এস.পি. অমদি অতৈ মকোক থোংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

চুরাচান্দপুর ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা চয়োল অমা চত্থগদবা বন্দ মহোতসবকী থৌরম ঙসি সাইকোট কম্যুনিতি হোলদা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার, দিভিজনেল ফোরেষ্ট য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিন্দুনা ৭৭ শুবা বন্দ মহোৎসবকী থৌরম ঙসি চান্দেলগী ৮ শুবা মনিপুর রাইফলস কেম্পসতা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা উ চারা কয়াসু থাখি।

সেনাপতি ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা বন্দ মহোৎসবকী থৌরম কারোং ৱাটর রিজার্বর সেনাপতিদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা মফম অদুগী অকোইবদা উ পান্থী লিশিং অনি থাখি।

নোনে জিলাদসু জিলা অসিগী ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা ৭৭ শুবা বন্দ মহোৎসব হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা উ চারা কয়া থাখ্রে। খুমজিদা লৈবা রেমা পব্লিক একাডমী অমদি লোংখুই বুথ ইকো পার্কতা উ চারাশিং অদু থাখি।

থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জনেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন ইনভাইরোনমেন্টেল প্রোটেক্সন কমিতি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা পুন্না শিনদুনা বন্দ মহোৎসবকী থৌরম ঙসিদগী নোংপোক সেকমাইদা লৈবা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী শঙলেনদা হৌখ্রে। থৌরম অদুদা চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট-লোংজম জয়কুমার সিংহ য়াওনা অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

তমেংলোং অমসুং তেংনৌপল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা বন্দ মহোৎসব থৌরম জিলাশিং অসিদসু পাঙথোকখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোন্থৌজমদা লৈবা ৱেষ্টর্ন কলেজতসু থৌরম অসি পাঙথোকখি।

**দ্রগ (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা সি.আর.পি.এফকী কাংবু অমগা পুন্না চথুবা ওপরেসন অমদা ঙসি কিলোগ্রাম অনিগা গ্রাম ১০০ রোমগী হেরোইন পাউদরনি চিংনবা পোৎলমশিং ফারে।

জিলা অসিগী সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস-শিবানন্দ সরভেনা পাউমীশিংগা ডন্নবদা হায়-চথুখিবা ওপরেসন অদুদা চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তান্নদুনা ফাখি। মদুদা সপোন কেপ ১৬৮ দা হেরোইন পাউদরনি চিংনবা

পোৎলমশিং অদু পুরমখিবনি। গাড়ি অদুবু তোংদুনা লাকপা মীওই অনিসু ফাদুনা মখা তানা পোৎলমশিংগী অদুগী মতাংদা চেন্নবশিং থিগৎপগী থবক চথরি। রাজ্য পুলিসনা ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিং করবার তৌবশিং মরু ফংনা মাঙহন্নবা চংশিল্লিক্লিবা থবকশিং অসিদা মীয়ামনা মতেং পাংবীয়ু। করিগুম্বা ময়াই কাবা পোৎলমশিংগী লৈফম নৎত্রগা লল্লোনবা মীওইশিং খঙলবদি পুলিসতা পাউ পীবিয়ু হায়নসু এস.পি. শিবানন্দ সরভেনা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

**সিএসও (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালাদা ঙসি মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

লুপ ১৪, কংলৈপাকা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা রাজ্য অসিগী ওইনা মীকোক থিবগী থবক হৌদ্রিঙৈদা এন.আর.সি. অপদেদ তৌবা, রাজ্য অসিগী মরুওইবা হায়ৱেশিংদা থল্লিবা অথিংবশিং খুদক্তা হন্দোকপা, মনিপুরগী দেমোগ্রাফিদা হোংলক্লিবা অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা মেম্বর অমা খনবা, আই.দি.পিশিং মশা মশাগী ময়ুমদা হনজিলহন্নবনচিংবা দাবীশিং য়াওরি।

তুংদা, পাউমীশিংগা উন্নবদা লুপ ১৪ কংলৈপাক্কী কনভেন্নর-সান্তা নহাকপমনা হায়-থা অসিগী মঙাদা লুপ অসিগী মীহুৎশিংনা দিল্লিদা চৎতুনা কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি য়াওনা হায় লেবেল কমিতি ওন দেমোগ্রাফি চেঞ্জকী চেয়ারমেন অমদি রেজিস্ত্রর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (আর.জি.আই) গা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা মীকোক থিদ্রিঙৈদা এন.আর.সি. তৌবগী তঙাইফদবশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

**ডাক্তর (এল)ঃ** নেসনেল ডাক্তরস ডেগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন-সাউথ ইষ্ট মনিপুর ব্রান্স, দিষ্ট্রিক্ট ইন্টিগ্রেটেদ ষ্ট্রেটেজি ফোর ঐচ.আই.ভি-এইদস-থৌবাল, ককচিং অমসুং জিবন হোস্পিতাল-ককচিংনা পুন্না শিনদুনা হেলথ স্ক্রিনিং কেম্প অমা ঙসি ককচিং লমখাইদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মীওই ৬০ রোমদা লেমা হেলথ স্ক্রিনিং অমদি টেষ্টশিং তৌখি।

**এসআইআর (এল)ঃ** ইলেক্তোরেল রোলগী স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) গী থবক থা অসিগী ২৮ দা লোয়খিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনসু ইম্যুরেসন ফোর্মশিং দিজিটাইজ তৌবগী থবক চাদা ১০০ লোয়শিনখ্রে।

চহি অসিগী মে ৩০ দগী চথখিবা এস.আই.আর. অসিদ বুথ লেবেল ওফিসারশিংনা য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা ফোর্মশিং পীবা, লৌশিনবা অমদি ভেরিফাই তৌবগী থবকশিং তৌখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র ১০ য়াওরি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিস-কাংপোকপীগী ওইনা ইম্ম্যুরেসন ফোর্মশিং দিজিটাইজ তৌবগী থবক মায় পাকা পাঙথোকখ্রে।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তর অমসুং নারকো কোওর্দিনেসন সেন্টরগী চেয়ারপার্সন-মহেশ চৌধুরিনা লুচিংদুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-কাংপোকপীনা শিনদুনা জিলা অসিদা দ্রগ লল্লোনবা অমদি ময়াই কাবা নিশাশিং শিজিন্নবগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা আইননা য়াদবা পোৎলমশিং য়োনবা অমদি শিজিন্নবা থিংনবগী মতাংদসু খন্নখি। মীফম অদুদা রাজ্য পুলিস, বি.এস.এফ, সি.আর.পি.এফ. অমসুং অতৈ বিভাগশিংগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

**রাইটরস (এল)ঃ** লাইশ্রম সমরেন্দ্র বার্থ সেন্টিনারি সেলেব্রেসন কমিতি ইম্ফালনা পেট্রোইটিক রাসটরস ফোরম-ত্রিপুরাগা খুৎশমদুনা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী চহি ১০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙরাং অগরতালা প্রেস ক্লবকী

ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সাহিত্য একাডমী এৱার্দি-সরতচান্দ থিয়ামনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। মহাকা হায়-ত্রিপুরাদা লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপা অসিনা মনিপুর অমদি ত্রিপুরাগী মীয়াম মরক্তা হেন্না অচেৎপা মরী শাগৎপদা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামগা উন্নদুনা লমদম অসিদা তংদু লৈতাবা হুঞ্জিল্লকবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুঞ্জাশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

লিলোং, ফৌবাকচাউ, হৈনৌপোক হায়রিবা মফমশিং অসিদা মফম অদুগী মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। অসিগুম্বা থৌরাং অসিনা মীয়াম অমদি অসাম রাইফলস অনিগী মরক্তা অফবা মরী থমদুনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা হনজিলহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

অমরোমদা, উখ্রুল জিলাগী সোমসাই গেরিসনদা হায় লেবেল সেক্যুরিতি কোওর্দিনেসন মীতিং অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

**পাসপোর্টঃ** পাসপোর্ট (এমেন্দমেন্ট) রুল-২০২৬ ঙসিদগী চৎনবা হৌরে। রুল অসিগী মখাদা পাসপোর্ট শেম্বদা চংগদবা শেনফম হান্নদগী হেনগৎলে।

অনৌবা চৎন-কাঙলোন অসিগী মতুং ইন্না হান্না লৈরম্বা পাসপোর্ট নৌনা শেমদোকপা নৎত্রগা অনৌবা পাসপোর্ট শাবদা, লামাই ৩৬ য়াওবা অনৌবা পাসপোর্ট লৌবা নৎত্রগা অমুক হন্না তান্থোকপদা লুপা লিশিং ২,৫০০ ওইরগনি। অমরোমদা, লামাই ৬০ পানবা ওর্দিনারি পাসপোর্ট নৌনা লৌবা নৎত্রগা অমুক হন্না তান্থোকপগী ওইনা লুপা লিশিং ৩,৫০০ লৌরগনি।

পাসপোর্ট শেম্বদা তটকাল স্কিমগী মখাদা লৌগদবা শেনফমনা লুপা লিশিং ৬ ওইগনি। কনাগুম্বা অমগী পাসপোর্ট মাঙখিবা থোক্লবদি নৌনা তান্থোকপদা

লুপা লিশিং ৫ দগী তরুক ফাওবা ওইগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-দিজিটেল ইন্দিয়ানা অফবা লৈঙাক সাসন অমা ওইহন্দুনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা শক্তি হেন্না পীদুনা হীরম কয়াদা কান্নবা কয়া পীরি। দিজিটেল ইন্দিয়া ইনিসিয়েটিবনা ঙসি চহি ১১ ফারকপদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-দিজিটেল পেমেন্ট অমসুং দাইরেক্ট বিনিফিট ত্রান্সফরনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা হিংবদা লায়থোকহল্লে।

লৈবাক অসিগী মীয়ামনা হিংবদা লায়হন্নবা টেকোলোজিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। শ্রী মোদিনা হায়-মতমগা চুন্নরবা টেকোলোজিশিং-এ.আই, সেমি কন্দক্তর, ক্বান্টম কম্প্যুটিংনচিংবশিংনা থোরকপদগী দিজিটেল ইন্দি ইনিসিয়েটিব অসি হেন্না মায় পাকহনবনি। নৌনা ইনখৎলক্লিবা ওন্টরপ্রেন্যুরশিং, স্তার্টঅপ অমসুং ইনোভেটরশিংনা শিংথানিংঙাই ওইরবা অনৌ অনৌবা থবক কয়া তৌদুনা মালেমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া কোকহল্লি।

**ক্রিসিঃ** প্রধান মন্ত্রি ক্রিসি সিনচাই য়োজনা চৎনরকপা চহি ১০ হেল্লকপা অসিদা লৈবাক অসিগা লৌউ শিংউগী লমদা অওনবা কয়া উবা ফংলে। স্কিম অসিনা লৌউ উবা মতমদা ইথৈ লৌখোং নীংথিনা শেম্বা, ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা অমদি তুং কোইনা শিজিন্নবা য়াগদবা মওংদা ঈশিং য়োক্তুনা থম্বনচিংবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

হৌখিবা চহি তরা অসিদা স্কিম অসিনা ইথৈ লৌখোং নীংথিনা শেমদুনা লৌফমশিংদা লৈগদবা ঈশিংগী চাং হেনগৎতনবা অমদি নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা লৌমীশিংনা লৌ উবা মতমদা অৱাবা লৈহন্দনবা হোৎনদুনা লাক্লি। স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী লৌমী মিল্লিয়ন ২৫ হেনবদা কান্নবা ফংহল্লি।

**দুরানঃ** লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী অরীবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট দুরান কপকী ১৩৫

শুবা এদিসনগী য়ুম্বু ওইগদবা রাজ্যশিংগী মনুংদা মনিপুরসু অমুক হন্না য়াওরে। চহি অসিগী ওইনা সহর মঙা-কোলকাতা, গুৱাহাতি, শিল্লোং, ইম্ফাল অমসুং রানচিদা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না টিম ২৪ না শরুক য়াগনি।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ২৫ দগী কোলকাতাদা হৌদোক্কনি। অদুগা ফাইনেলনা আগষ্ট ২৩ দা কোলকতাগী বিবেকানন্দা য়ুব ভারত্তি ক্রিরংগনদা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসি শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৮ দগী আগষ্টকী ১৭ ফাওবা ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। ট্রাউ এফ.সি, নেরোকা-এফ.সি, ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিম অমদি এফ.সি. রেংগাইগী মেটচশিং ইম্ফালদা শান্নগনি।

**ক্রিকেটঃ** অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন টি-টোইন্তি ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-থাউ থাংমৈবন্দনা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীবু ৱিকেট ৯ দা মায়থিবা পীখ্রে। তাউথোংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু থাউ-থাংমৈবন্দগী থোকচোম পুরনিনা ওভর মরিদা ৱিকেট অহুম লৌদুনা প্লেয়ার ওফ দা মেটচ তাখি।

থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা পি.টি.আর.সি পাৎশোইবু ৱিকেট তরেৎতা মায়থিবা পীখি। মেটচ অদুদা এ.কে.এস.দি.ওগী এলিস থোকচোমনা ৱিকেট অনি লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা বোল তরুক্তা রন-১৩৪ লৌদুনা প্লেয়ার ওফ দা মেটচ তাখি।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড-২০২৬ কী রাউন্দ ওফ থারতি টুগী মেটচশিংদা ঙসি নুমিদাং পুং ৯ মখায়দা ইংলেন্দগা দি.আর. কোঙ্গোগা শান্নগনি। নোংয়াই মতুং পুং ১ মখায়দা বেলজিয়মগা সেনেগলগা অমসুং হয়েং অয়ুক পুং ৫ মখায়দনা

য়ু.এস.এগা বোসনিয়াগা শান্নগনি।

রাউন্দ ওফ থার্তি টুগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা মেটচ অমদা মেক্সিকোনা ইক্বেদোরবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।